**RNU, IMPHAL**

**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**

**(Date: 2.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

(তাং ২-০৪-২০২৪, লৈবাকপোকপা)

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি**---

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মনিপুরদা শান্তি পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

২) সাইখোম মীরাবাই চনু পেরিস ওলেম্পীক গেমস ২০২৪ গী ক্বালিফাইদ ওইরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি রাজস্থানদা লোক সভা মীখলগী ভোট খোমগদৌরি ।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে। মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি- হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চখবদা কে.সি.পি তাইবং ঙানবা কাংবুগী কাদর অমা থৌবাল জিলাদগী ফাগৎখি। মঙোন্দগী পিস্তোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০, দিতোনেতর য়াওবা হেন্দ গ্রেনেট অমা গাড়ি বোলেরো অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

চেরোল অসিনা হায়- পোৎচৈ পুবা গাড়ি ২২২ নেসনেল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগী লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে। মখা তানা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎ অপন লৈতনবগীদমক সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং মফম মফমশিংদা লৈরি।

**ভোট(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী এসেমব্লি সেকমেন মরিগী অনিশুবা রেন্দম্মাইজেসন ঙরাং জিলা অসিগী দি.সি.চেম্বরদা লৈবা মিনিসেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্ত্রি কন্সটিটুয়্যন্সিগী জেনরেল ওবজার্ভর ওইরিবা উজ্ৱল কুমারনা ভিদিও কনফরেন্সিগী খুত্থাংদা য়েংশিনখি। রেন্দম্মাইজেসন পাঙথোকপদুদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, এসিস্তেন রিটর্নিং ওফিসরশিং অমদি নোদল ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। জিলা অসিগী ওইনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী পোল্লিং পরসনেলশিং ত্রেনিং পীবগী থবকসু এপ্রিল ৫ অমদি ৬ তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**ফেরজোল(এল)ঃ** লেন্দ তাবা য়াওনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা ফেরজোল জিলাগী ওইনা য়ুম ৪০ রোম অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি। ঐখোয়গী ফেরজোল পাউমীনা হায়-হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা কয়া থোকহল্লে। ফেরজোল জিলাদসু নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে। জিলা অসিগী খ্বাইদগী হেন্না শোকপা মফম অসি লুংথুলিয়ন ভিলেজনা ওইরি।

মফম অসিদা য়ুম ৩০ রোম লেন্দ তাবনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোকখি। বঙ্গাই এরিয়াগী কংরেঙ ভিলেজতসু লেন্দ য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম ৬ হেন্না অমাং অতা থোকখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শা-ঙা অমদি, লৌউ শিউগী ফার্মশিংসু মাং তাকহনখি।

অমরোমদা,মনিপুরদা হন্দক অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ুম য়াওনা অমাং অতা কয়া থোকখিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং ৱারি শান্নখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকখ্রবা মনিপুরদা কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। মসিগা লোয়ননা গৃহ মন্ত্রিনা নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন - তাকহনখিবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখি। লোয়ননা শোকপদগী লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোংদোকখি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিনা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রিগসু ৱারি শান্নদুনা রাজ্যশিং অদুদা কেন্দ্রগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি হায়রি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ফেরজোল জিলাগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসরশিং অমদি প্রিসাইদিং ওফিসরশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং পাঙথোখ্র। মনিপুর সরকারগী দি.আই.ও ফেরজোলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ত্রেনিং অসিদা মরু ওইনা

ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদ মেছিনশিং শিজিন্নবগী মওং , মোক পোল য়াওনা পোল্লিং ওফিসরশিংগী দ্যুতিশিংগী মতাংদা খঙহনখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর অসিস দাস অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

**চনু (এল)ঃ** তোকিও ওলেম্পীক সিলভর মেদলিস্ত সাইখোম মীরাবাই চনু পেরিস ওলেম্পীক গেমস ২০২৪ গী ক্বালিফাইদ ওইরে। ভারতকী ওইনা ৱেটলিফতিং মশানদা মহাক মথন্তা গেসম অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

থাইলেন্দগী ফুকেদতা চত্থরিবা ইন্তরনেসনেল ৱেটলিফতিং ফেদরেসন (আই.দব্লিউ.এফ) ৱার্ল্ড কপতা ঙরাং মীরাবাই চনুনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৯ গী গ্রুপ বি ইভেন্তা ৩ শুবা অমদি ওভর ওলদনা ১১ শুবা তাদুনা পেরিস ওলেম্পীক গেমসকীদমক ক্বালিফাইদ ওইখিবনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেত্তা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ানসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। মুম্বাই ৱাংখ্রে ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা থোইনবগীদমক ১২৬ লৌবা দরকার লৈবদা পান্দম অদু ওভর ১৫ গা বোল ৩ দা য়ৌবা ঙমখি। ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গালুরু অমসুং লক্ষনৌ সুপর জাইন্তসকা বেঙ্গালুরুগী এম চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নগরনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ দা শান্নবা হৌগনি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি রাজস্থানদা লোক সভা মীখলগী ভোট খোমগদৌরি। শ্রী মোদিনা রাজস্থানগী মোদেরা ভিলেজদা নুংথিল পুং ১ মখায়দা থুংগনি। মহাকা জয়প্র রুরেল লোক সভা সিটকী মীরেপ রাও রাজেন্দ্র সিংহগী মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোংচৎ অসি লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লবা মতুংদা মীখলগা মরী লৈননা রাজস্থানদা চৎপা অহানবা খোংচৎনি।

রাজস্থানদা তাঙ্কক অনি থোকনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা ভোট থাদনগনি।

**অমিতঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংব অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সহা ঙসি নোংমগী খোংচৎতা করনাতক্তা থুংগনি। মহাক্ন ঙসি অয়ুক বেঙ্গালুরুদা দলগী অয়ুক দলগী করিয়াকর্তাশিংগা মীফম পাঙথোক্কনি। তুংদাবেঙ্গালুরু রুরেল লোক সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা চনাপটনমদা পাঙথোকপা রোদ সো অমদা শরুক য়াগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক হৌজিকৱাইখোম চিত্রাধনি লৈরে--**

**--চিত্রাধনি --**

**থাগৎচরি চিত্রাদানি**

**----অরোইবদা মরু ওইবা পাউ অমুক---**

১) মনিপুরদা শান্তি পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

২) সাইখোম মীরাবাই চনু পেরিস ওলেম্পীক গেমস ২০২৪ গী ক্বালিফাইদ ওইরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি রাজস্থানদা লোক সভা মীখলগী ভোট খোমগদৌরি।

**অমসুং**

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

পোকফমদা - অমিত সাহনা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী সি.এমশিংনা ৱারি শান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা- মশল, মনি পৱারনা হুমদুনা পুহুনগুমসি হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রাম ইবোবিগী ৱাফম চাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- প্রাইভেট লেবোরেতোরিদা তেস্ত তৌনবা থারুবা দোক্তর অমগী মথক্তা সো কোস নোতিস থাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা - চুরাচান্দপুরদা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম ৮০ রোম মাং তাকহনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদালইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা- নমদুনা পুখিবা চেং থিনগৎলকউ, নবেম্বরদগী ফেব্রুৱরি ফাওবগী চেং পীগে হায়বা কেপ এন্দ পি.দিগী দাইরেক্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মখাদা - চেংগী এজেন্তশিংগী মতম লোইখ্রে, অনৌবা খনদ্রিবা ফাওবা দিপার্টমেন্তা য়েল্লগনি হায়নসু সব হেদলাইন অমা পীরি।

মনিপুর নিউজতা- সিস ফাইয়র তৌনখ্রবসু খুৎলায় সরেন্দর তৌদবনা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা নুংনাংবা ফাওরে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা- দিল্লিগী চিফ মিনিস্তর আরবিন্দ কেজ্রিৱাল এপ্রিল ১৫ ফাওবা জেলদা থাজিনখ্রে হায়না অহানবা হ্দলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা মফমশিংগী মমীং চাইনানা নৌনা থোনজিল্লকপদু কেন্দ্র সরকারনা রিজেক তৌখ্রে হায়বগী পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মীখা পোনবা হৈতবা, লাকচবা য়াদবা মণিপুর কৌবা ষ্টেট অমা লৈ হায়না পার্লিয়ামেন্ত মনুংদা লাউবা ঙম্বা মীহুৎ থাগৎসি হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ইষ্ট্রর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসননা মীখলদা শরুক য়াররোই হায়না ইলেক্সন কম্মীসনদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংগী মপানদা লৈবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং শেমখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলসহোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - কুকিগী মকোক থোংবা ত্রাইবেল বোদিনা মীখলগী থৌওং নিংথিনা পাঙথোকবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্তকী মখাদা লৈবা ইমা নোংথাং লৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিমগী ফোর্ম থাজিনবগী মতম এপ্রিল ১০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা - জেনিমসকী গেটতা লৈবা পি.এন.বিগী এ.টি.এম বুট লুট তৌনবা হোৎনরম্লে হায়না অহানা লমায়দা ফোংলি।

**--নোলিনি-**